**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 31-03-2026)**

**খেমচান্দ (এল)ঃ** রাজ্য অসিদা লৌউ শিংউগী পোৎথোকশিং হেনগৎনবা আই.সি.এ.আরনা পায়খৎলিবা থৌরাংশিংগী মতাংদা মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দগা আই.সি.এ.আর. লমফেলগী মীহুৎ কাংবু অমগা ৱাফম কয়া খন্নখ্রে।

মুখ্য মন্ত্রিগী সেক্রেটরিয়েটতা উন্নখিবা অদুদা আই.সি.এ.আরগী হেদ- এস. বসন্তানা লুচিংবা মীহুৎ কাংবু অদুনা হৌজিক হৌজিক রাজ্য অসিদা আই.সি.এ.আরনা লৌউ শিংউগী পোৎথোক হেনগৎহন্নবা পায়খৎলিবা থৌরাংশিংগী মতাংদা মরিক চুমা পাউদমখি।

উন্নবা অদুদা শ্রী খেমচান্দনা হায়-রাজ্য অসিগী জিলা খুদিংমক্তা কৃসি বিগ্যান কেন্দ্রশিং লিংদুনা রাজ্য অসিগী লৌমীশিংগী মপাঙ্গল হেনগৎহন্দুনা লৌউ শিংউগী পোৎথোক মরাং কায়না পুথোকবদা হোৎনবদা আই.সি.এ.আরনা অচৌবা থৌদাং লৌরি। আই.সি.এ.আরগী মখাদা লৌমীশিংদা অনৌবা থৌশিল থৌরাং কয়া তাকপী তম্বীদুনা লৌমীশিংগী শেন্মীৎলোন ফগৎহনদা চাউনা মতেং পাংলি।

মহাকা হায়-রাজ্য সরকারগী মায়কৈদগীসু আই.সি.এ.আরগা খুৎশমদুনা চিঞ্জাক্তা মীপাল তাংদবা রাজ্য অমা ওইহনবদা অহেনবা মীৎয়েং থন্লি। মসিদসু নত্তনা লৌমীশিংগী পুন্সি মহিং ফগৎহন্নবা অমদি পোৎথোক মরাং কায়না পুথোক বা হোৎনরি।

**সিএম (এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দনা হায়রি-খ্বাংজেং লাইরেম্বা-লাইরেম্বী হরাউবগী থৌরম লাকপদা ঈশ্বরনা মনিপুরদা তংদু লৈতাবা পুরকপা, মীপুম খুদিংমকপু ফত্তবশিংদগী ঙাকথোকপীবা অমদি চাউখৎপা ওইরসনু।

মুখ্য মন্ত্রিনা ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিস হেদক্বাটরসতা লৈরিবা খ্বাংজেং লাইরেম্বা-লাইরেন্বী ৩২ রক শুবা হ্রাউবগী থৌরমদা শরুক য়ারদুনা ৱাফম অসি ফোংদোকখিবনি।

অমরোমদা, মুখ্য মন্ত্রি খেমচান্দনা ইস্কোন মনিপুরগী চেয়ারমেন-একনাথ দাসনা লুচিংবা মীহুৎ কাংবু অমগা উন্নখ্রে। মহাক্কী সেক্রেটরিয়েটতা উন্নখিবা অদুদা মণি মন্দির শাবগী মতাংদা খন্নখিবগা লোয়ননা মন্দির অসিনা ভক্তা কয়াগী পন্ধুংফম ওইবতা নত্তনা লম কোইবশিংগী পুকিং চিংশিনফম অমা ওইগনি হায়বগী মতাংদা খন্নখি।

**এময়ু (এল)ঃ** রাজ্য অসিদা লৈরিবা লৌমীশিংগী পুন্সি মহিং অমদি শেন্মীৎলোন ফগৎহন্নবা ৱাখল্লোনদা ঙসি মনিপুর য়ুনিভরসিতিদা লৌমীশিংনা পুথোকপা মহৈ-মরোংশিংদগী শুংদোক্লগা শাবা চাননবা পোৎলমশিং মীয়ামদা ফংহন্নবগী পান্দমদা-চনিং অথোৎপগী পোৎথোকশিং মীয়ামদা উৎথোকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদু আই.সি.এ.আর. নেসনেল ইন্সটিট্যুট ফোর প্লান্ট বাইওটেকে ালোজি (আই.এ.আর.আই) কেম্পস-ন্যু দিল্লিগী শেন্থুং মখাদা প্রোসেসিং এন্দ প্রদক ফোরমুলেসন ওফ জোবস কিয়ারস ফোর সোসিও ইকোনোমিক বিনিফিট ফারমস ইন মনিপুর হায়বা হীরমদা পাঙথোকপনি।

ইগজিবিসন অদু মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর-প্রোফেসার এন. লোকেন্দ্রনা হৌদোকখি। অনিশুবা তাঙ্কক ওইনা ঙসি পাঙথোকখিবা ইগজিবিসন অসি মরুওইনা লৌমীশিংনা পুথোক্লিবা মহৈ-মরোংশিংদগী শেন্বা য়াবা চানবা পোৎলমশিং শিজিন্ননবা অমদি লৈবাক মীয়ামদা ফংহনবদা মীৎয়েং থল্লি।

**সনাজাউবা (এল)ঃ** রাজ্য সভাগী এম.পি. নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাউবনা

কেন্দ্রগী লো এন্দ জষ্টিস মন্ত্রি-অরজন্ রাম মেঘাৱালগা ঙসি উন্নদুনা ৱারী শাখ্রে।

ন্যু দিল্লিদা লৈবা মন্ত্রি-অরজন্ রাম মেঘাৱালগা উন্নখিবা অদুদা মনিপুর হায় কোর্টকী ওর্দর অমগা মরী লৈননা রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) ইম্ফালগী নর্স ৬৭ না থেংনরিবা খুদোংচাদবশিংগী মতাংদা খন্নখি হায়রি। লোয়ননা হীরম অসিগী মতাংদা মীৎয়েং চংবীনবসু এম.পি. লৈশেন্বা সনাজাউবনা মন্ত্রিগী পুকিং চিংশিনখি হায়রি।

**এগজিবিসন (এল)ঃ** ইম্ফাল আর্ট কোলেজনা শিন্দুনা ২০ শুবা এন্যুএল আর্ট এগজিবিসন কম ফেয়ার ২০২৬ কোলেজ অসিদা ঙসিদগী হৌখ্রে।

এগজিবিসন অসি হৌদোকপগী থৌরমদা রাজ্য সরকারগী আর্ট এন্দ কলচর বিভাগকী কম্মিসনর ঐচ.গ্যানপ্রকাশ, কোলেজ অসিগী প্রিন্সিপাল কোংখাম দিলিকুমার অমদি আর্ট এন্দ কলচর বিভাগকী জোইন্ট সেক্রেটরি অশেম রঙ্গিনা শরুক য়াখি। থৌরমদুগা মরী লৈননা কম্মিস্নার-ঐচ. গ্যানপ্রকাশনা হায়-ইগজিবিসন কম ফেয়ার অসিদা উবা ফংলিবা অয়েকপা লাই অমদি স্কলপচরশিং অসিনা কলেজ অসিগী মহৈরোইশিংগী হৈথোই শিংথোইবশিং ময়েক শেংনা উৎথোক্লি। মীয়ামনসু নুমিৎ মঙানি চথুগদবা ইগজিবিসন কম ফেয়ার অসি য়েংবিয়ু হায়না আপিল তৌখি।

থৌরম অদুগী শরুক অমা ওহনা ইং ২০২৪-২৫ দা মনিপুর য়ুনিভরসিতিনা লৌবা পরিক্ষাদা বেসলর ওফ ফাইন আর্টস পেন্টিং সবজেক্টতা মকোক ওইরখ্রবা মাইব্রম কবিতাদা শেও অমদি মেমেন্টো খুৎশিন্নদুনা পুকিং থৌগৎখি। মনা অসি কোংপাল ক্ষেত্রি লৈকাইদা লৈবা মালেমঙানবা লৈতানথেম, চেরিটেবল ত্রষ্টনা লৈখিদ্রবা অপোকপা লৈতানথেম ইনাওমচা অমদি অপোকপী লৈতানথেম ওংবী সরদাগী মিংদা কৎপনি।

**দি-ৱার্মিং (এল)ঃ** দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি ককচিং, জোনেল এদুকেসন ওফিস-

ককচিংনা খুৎশমদুনা অহানবা তাঙ্কক্কী ওইনা জাতিগী থাক্তা পাঙথোকপা দি-ৱার্মিং ডে ঙসি লাংমৈদোং হয়ার সেকেন্দরি স্কুলদা হৌদোকখ্রে।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা পুন্না মহৈরোই ১০০ রোমদা দি-ৱার্মিং টেব্লেত পীজখি। লোয়ননা ককচিং জিলাদা লৈবা তোঙান তোঙানবা স্কুলশিংদসু নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা দি-ৱার্মিং টেব্লেতশিং য়েন্থোকখি। নেসনেল দি-ৱার্মিং ডে অসি কেন্দ্র সরকারগী হকশেল অমসুং য়াইফ য়ুন্বাল মন্ত্রালয়না চহি অমদগীনা চহি ১৯ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাংশিংবু মশা-মউ ফনা থমবগী পান্দমদা পায়খৎপা থৌরাং অমনি।

**এৱারনেস (এল)ঃ** রাজ্যগী হকশেল বিভাগকা দিষ্ট্রিক্ট ইমপ্লিমেন্টেসন য়ুনিট, চুরাচান্দপুরনা ষ্টেট হেলথ এজেন্সি-মনিপুরগা খুৎশমনা শিনদুনা চীফ মিনিস্তরস হকশেলগী তেংবাং (সি.এম.ঐচ.টি) অমসুং অয়ুসমান ভারত প্রধান মন্ত্রি জন অরোগ্যা য়োজনা (এ.বি.পি.এম.এ. জে.এ.ৱাই) না বিনিফিসরিশিংদা পীরিবা খুদোংচাবশিং পুন্না খঙমীন্নবগী মতাংদা নোংমগী ওইবা থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসি চুরাচান্দপুরগী মাতা আই.এফ.সি.দি. রিলিফ সেন্টর অমসুং লানভা টি.দি. ব্লোক রিলিফ সেন্টরদা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংখিবশিংনা সি.এম.ঐচ.টি. অমসুং এ.বি.পি.এম.এ. জে.ৱাইগী কার্ড পায়রবা বিনিফিসরিশিংনা তৌগদবা অমদি তৌরোইদবা কয়াগী মতাংদা মরিক চুমা খঙহনখি।

**এআর(এল)ঃ** রাজ্য অসিদা হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিগী য়েংলগা অসাম রাইফলসনা শিনদুনা জিলা থাক্কী ঙাকশেলগী মতাংদা মীফম অমা উখ্রুলগী সোমসাই গেরিসনদা পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদুদা মিলিটরি, সিভিল এদমিনিষ্ট্রেসন অমসুং ইন্টিলিজেন্স

এজেন্সিশিংগী মীহুৎশিং য়াওনা ঙমখৈ পরিংদা পায়খৎলিবা চেকশিন থৌরাংশিংগী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্নখি। লোয়ননা মীয়ামগী শাফনবা অমদি কাংলুপ মশেলগী মরক্তা ইংনা চিকা লৈমিন্নবগী পান্দমদা সেক্যুরিতিগী অপুনবা কাংবুশিংনা থিবা হুন্নবগী থবক্তা তেংবাংনবগী মতাংদসু খন্নখি।

**ককচিং (এল)ঃ** ককচিং কেন্দ্রগী মনুংদা পায়খৎলিবা চাউখৎ থৌরাংশিং ঙসি কেন্দ্র অসিগী এম.এল.এ. ময়াংলম্বম রামেশ্বরনা হকথেংননা চৎতুনা য়েংশিনখ্রে।

এম.এল.এগী খোঙচৎ অদুদা কেন্দ্র অসিদা লেপ্তুনা চত্থরিবা পেবর ব্লোক টেকোলোজি শিজিন্নদুনা নৌনা শেম্বা লোয়রবা ককচিং ময়াই লৈকাই কম্যুনিতি হোল মনিং লম্বী অমদি শেম্বা লোয়শিল্লক্কদবা বেন পার্টি পরেং লম্বীগী ফিভম য়েংশিনখি। য়েংশিন খোঙচৎ অদুগা মরী লৈননা এম.এল.এ. রামেশ্বরনা হায়- ককচিং কেন্দ্রগী মনুংদা পায়খৎলিবা চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিং অসি মরুওইনা লোকেল এরিয়া দিবলপমেন্ট ফন্দ অমসুং সরকারগী শেন্থং মখাদগী পায়খৎপনি। কেন্দ্র অসিগী টাউন্দ এরিয়াদা খ্বাইদগী অচৌবা শিংনবা অমা ওইরিবা অসি গাড়ি খান্নফম লৈতবা অসিনি।

**রিমস(এল)ঃ** রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) ইম্ফালনা অহানবা ওইনা শীংলিগী শরুক্তা পাঙথোকপা এওতো বাইলেট বাস পাস সর্জরি মায় পাকা পাঙথোকখ্রে।

সর্জরি অদু থ অসিগী ১৫ দা চহি ৭৯ শুরবা মীওই অমদা পাঙথোকখিবনি। মীওই অদু মমাংদা, স্ত্রোক অমসুং ফাথদবা ঙমদবা হাইপরটেন্সনগী অনাবা লৈবা মীওই অমনি। সর্জরি অদু কাদিও-থোরাসিক অমসুং বাসকুলর সর্জরি (সি.টি.ভি.এস) দিপার্টমেন্টকী হেদ-প্রোফেসার থোকচোম চিতুনা লুচিংদুনা পাঙথোকখিবনি।

**শাহঃ** লৈবাক অসিদা লৈবা নক্সলাইটশিং মুথৎনবা হোৎনবদা কেন্দ্র সরকারনা লৌরিবা থৌদাংবু গৃহ মন্ত্রি অমিত শাহনা শিংথাখ্রে। লৈবাক অসিগী মনুংদা কনাগুন্বা মীওই অমনা নোংমৈ পায়দুনা ইরাং হৌরবদি মদুগী পাউখুম নোংমৈনা পীগনি হায়নসু শ্রী শাহনা ফোঙদোকখ্রে। লৈবাক অসিদগী লেফট ৱিং এক্সত্রিমিজম মুথৎনবা হোৎনরিবা থবকশিংগী মতাংদা লোক সভাদা খন্নবদা শ্রী শাহনা ৱাফমশিং অসি ফোঙদোকখিবনি।

মহাকা হায়-নক্সলাইটশিংনা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা রাজ্য ১২ দা রেদ কোরিদোর শেল্লমখি। মখোয়না চথবা হিংশাগী থবক্তা মীওই লিশিং ২০ গী মথক্তা লৈখিদবতা নত্তনা মীওই কোতি ১২ হৌজিক লাইরবগী পনখৈ মখাদা হিংলক্লি।

গৃহ মন্ত্রিনা হায়-হৌখিবা ইং ২০১৪ দা মোদি সরকার লাকপদগী নক্সলাইটনা শোকহল্লবা মফমশিং য়াওনা তোঙান তোঙানবা পুলিস স্তেসন ৫৯৬ হাংদোকখ্রে। মসিদসু নত্তনা হৌখিবা চহী ৬ অসিদা সি.এ.পি.এফ য়ুনিট ৪০৬ সু শেমগৎখ্রে। ইং ২০২৪ দগী চহী অসিগী মার্চ ফাওবদা নক্সলাইট ৭০৬ হাৎখ্রে। হৌজিক ফাওবদা নক্সলাইট ২১৮ ফাগৎখি অদুগা, ৮৩৯ না সরকারদা চংজরকখ্রে হায়রি।

**মোদি ঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি ঙসি গুজরাটকী গান্ধিনাগরদা লৈবা সমরাত সম্প্রতি ম্যুজিয়ম শঙ্গাখ্রে। ম্যুজিয়ম অসি জৈন ইতিহাস অমসুং সমরাট সম্প্রতিগী পুনশি ৱারি অমসুং মহাক্কী অহিংসাগী পাউজেলদা কখোকপা ওইনা শাবনি। থৌরাং অসি লৈবাক অসিগী ইন্নাক খুল্লবা কলা সংস্কৃতি অমসুং স্পিরিচ্যুএল হেরিতেজ শেমগৎনবা সরকারনা পায়খৎলিবা য়ামা মরুওইবা খোঙথাং অমনি।

তুংদা, অহেমদবাদকী সনানদা নৌনা শাবা কেন্স সেমিকোন প্লান্ট অমা শ্রী

মোদিনা শঙ্গাখি। মফম অদুদা, মীয়ামগী মীফম অমদসু প্রধান মন্ত্রিনা ৱা ঙাংখি।

**ফাইনান্সঃ** কেন্দ্রগী পঞ্চায়েটি রাজ মন্ত্রালয়না ১৫ শুবা ফাইনান্স কন্মিসনগী মখাদা তোঙান তোঙানবা রাজ্য ৮ গী অপুনবা শেনফম লুপা কোতি লিশিং ২,৪৬১ থাদোকখ্রে।

শেনফম অসি শেনবা চহি ২০২৫-২৬ কী ওইনা ছাতিসগর, গুজরাট, মধ্য প্রদেস, পঞ্জাব অমদি সিক্কিমগী গ্রাম পঞ্চায়টশিংদা টাইত গ্রান্ট ওইনা পীখিবনি। কায়থোকখিবা অপুনবা শেনফম অদুগী মনুংদা হিমাচল প্রদেস, উরিষ্যা, সিক্কিম অমদি ত্রিপুরাগী পন্দুনা লৈরম্বা টাইত অমদি অন-টাইতগী গ্রান টশিং য়াওরি।

**ইলেক্সনঃ** নোংচুপ বেঙ্গল বিধান সভা মীখলগীদমক বি.জে.পিগী সেন্ত্রেল ইলেক্সন কন্মিতিনা মখোয়গী মীরেপ ১৩গী মিং য়াওবা মরিসুবা লিষ্ট ঙসি ফোঙখ্রে। মসিগী মতুং ইন্না, হাউরা দক্সিন বিধান সভা কেন্দ্রদা শ্যামল হাতি মীরেপ ওইরগনি। গারবেতা বিধান সভাদা প্রেদিপ লোধা, বারাবানি বিধান সভা কেন্দ্রদা অরিজিট রোই অমসুং নাতাবারি বিধান সভা কেন্দ্রদা গিরিজা সঙ্কর রোই মীখল থেংনরগনি। দল অসিনা মেনাগুরি বিধান সভা কেন্দ্রগী ওইনা দল অসিগী অনিশুবা লিষ্ট শেমদোক শেমজিন তৌরি। বিধান সভা কেন্দ্র অসিদা দালিম রোই বি.জে.পিগী মীরেপ ওইরগনি।

মরক অসিদা, নোংচুপ বেঙ্গল বিধান সভা মীখলগী অহানবা তাঙ্কক্কী ঙরাং মীরেপচে পীশিনবগী অহৌবা নুমিত্তা মীরেপ ৭৮ না মীরেপচে পীশিল্লকখি। মদুগী মনুংদা, বিরোধি লুচিংবা সুভেন্দু অধিকারি য়াওরি। তাঙ্কক অসিগী মীরেপচে পীশিনবগী অরোইবা নুমিৎ এপ্রিল ৬ নি। মীরেপচেশিংগী স্ক্রুতিনি মথংগী নুমিত্তা পাঙথোক্কনি। মীখল এপ্রিল ২৩ দা পাঙথোক্লবা তুংদা মে ৪ দা ভোৎ মশিং থিগনি।

**কাং ঃ** মনিপুর কাং এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা শ্রীশ্রী গোপালদেব অমসুং য়াইস্কুল কাংখুৎনা শিনবা অহুমশুবা ককচিংতাবম কুঞ্জবী শর্ম্মা অমসুং কুমারী অমিতা দেবী মেমোরিএল লিগ কম নোক আউট কেন্দ্রৱাইস কাং টুর্নামেন্ট ২০২৬ ঙসি শান্নখিবা মেটচতা-ওইনাম কাংখুৎনা গোপালদেব কাংখুৎপু পাঞ্জল ১৫-৯ দা থোইখি।

**ফুটবোল ঃ** অনিশুবা মাইচৌ শামুরৌ চিগোং ট্রোফি ভিলেজ ওপন ফুটবোল টুর্নামন্টে ২০২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা-এস.ৱাই.দি.এ. (এফ.সি) না রোসেন-এফ.সিবু পাঞ্চল ৩-২ দা থোইখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদনা-আরিয়ান এফ.সিনা এস.এল.এফ.সিবু পাঞ্জল ৪-১ দা অদুগা অতোপ্পা মেটচ অমদা এম.পি.সি.এম. লাক্তবদগী এস.এফ.সি. টিম (এ) না ৱার্ক ওভর ফংখি।

**ক্রিকেট ঃ** মনিপুর ক্রিকেট এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা চথুগদবা মঙাশুবা এম.এন.সি.এ. বোইজ অন্দর ফোরতিন ৱান ডে ট্রোফি-২০২৫-২৬, এপ্রিল অহুমদগী তোঙান তোঙানবা শান্নবুংশিংদা হৌরগনি।

এসোসিয়েসন অসিনা ঙসি থোকখিবা ফিকচরগী মতুং ইন্না থা অসিগী অহুমদা অহানবা মেটচ-লুৱাংপোকপা ক্রিকেট গ্রাউন্দদা অক্সতো অমসুং এন.সি.এ. (এন) অনিনা শান্নগনি।

**কোচিং ঃ** দিষ্ট্রিক্ট য়ুথ এফিয়ার্স এন্দ স্পোর্টস থৌবালগী শেন্থং মখাদা তাইকুন্দো অমদি ৱুশু মশান্নশিংগী নুমিৎ ২১ নি চুপা চথুগদবা নন-রেসিদেন্সিএল কোচিং কেম্প ঙসিদগী থৌবাল নোংগাংখোঙ অমদি খাঙবোক্তা হৌদোকখ্রে। থৌরম অদু থৌবালগী দিষ্ট্রিক্ট য়ুথ এফিয়ার্স এন্দ স্পোর্টস ওফিসার-দেবেন

মোইরাংথেমনা হৌদোকখি।

**থাং-তা ঃ** লামন থাং-তাগী অনিশুবা অমদি অনৌবা খুদোল খুৎনিং মরোল ঙসি নৈনশঙ কম্যুনিতি হোল শগোলবন্দ তেরা লুক্রাকপম লৈকাইদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসি লামন থাং-তাগী চহি খুদিংগী লেপ্তুনা পুথোকপা অনৌবা খুদোলশিংগী মনুং চন্না পাঙথোকপনি।

**বোদি ঃ** ককচিং দিষ্ট্রিক্ট বোদি বিল্ডির এসোসিয়েসনগী জেনরেল বোদি মীফম পাঙথোকপগা লোয়ননা ইং ২০২৫-২৬ কী মনুংদা পাঙথোকখিবা বোদি বিল্ডির কনটেষ্টশিংদা মনা লৌরকখ্রবা এসোসিয়েসন অসিগী বোদি বিল্ডিরশিংবু ওকপগী থৌরম অমা ঙসি ককচিং চুমনাং হোস্পিতাল লম্বীদা লৈবা এসোসিয়েসন অসিগী জিম কম ওফিসতা পাঙথোকখ্রে।